HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur



ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা শওম্বুংদা লৈরিবা রিলিফ কেম্পতা কে ঐচ ডা. কলানা ফ্রী মেদিকেল কেম্প পাঙথোকপগা লোয়ননা কেলেন্দর ফোঙদুনা য়েন্থোকখিবা (লমায় ২)

ইনখৎলক্লিবা চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা ৱাখলগী ওইবা নুংঙাইতবশিং ...
লামায় ২

মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্‌থৌলোল্ লম্‌পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)
লামায় ৪


শেন্মীৎলোন ফগৎনবগীদমক লৌ পরি ২৫দা মহৈ-মরোং থাখ্রে
লামায় ৬

লুপা লাখ ৫গী কেশ এৱার্দ লাউথোকখ্রে
লামায় ১০

ইম্ফাল ৱেষ্টকী শগোলবন্দ তেরা সাপম লৈরক্তা লৈবা ইচেবিগী ওফিসতা আই সী এমগী হান্নগী দিরেক্টর ডা. এন রঞ্জনানা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা ব্লেন্দেদ গার্দেন ফ্রেস টি লোঞ্চ তৌখিবা (লমায় ২)



Vol. 47, Issue No. 276 | থাংজ পোইনুগী ২৫নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, January 06, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00




## পাউচে অসিগী এদিটর পুলিসনা ফাজিনখিবগী থৌওং থিঙেলদা তাইনবা ঙমদ্রগা নাসিখোংদা তাইনবনি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা মমাঙ চহীগী মে ৩দগী হৌরগা থোরক্লিবা কাঙলূপকী ঈরাং অসিগী মতাংদা মীয়ামদা অচুম্বা পাউ পীদুনা মিৎ-মায় ওইহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা পাউচেশিংগী এদিটরশিংবু য়াম্না তোয়না লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অকি-অখং অমদি অয়েৎপা পীবগী থৌদোকশিং চথদুনা লাক্লি। পাউচে অসিগী ওইনসু মীয়ামদা মতম-মতমগী ওইনা অচুম্বা পাউ ফংহন্দুনা লাক্লি। অদুবু খঙহৌদনা ঙসি অয়ূক পুং ৯ লোম তাবদা পাউচে অসিগী এদিটর মাইবম ধনবির মীতৈবু ইম্ফাল থনাগী টিম অমনা ময়াং ইম্ফালদগী ৱারী শানসি হায়দুনা পুখ্রবা মতুং ফাজিন্দুনা থমখিবগী থৌওং অসি থিঙেলদা তাইনবা ঙমদ্রগা নাসিখোংদা তাইনবগী থৌওংনি হায়না লৌই।

ইম্ফাল থনাদা মহাকপু দিটেন তৌদুনা থল্লবা মতুং পাউচে অসিনা ফংবা রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না থা অসিগী ৪দা ফোঙখিবা পাউ অমগী মতুংইন্না এদিটর ধনবির ফাবনি হায়বা খঙবা ঙমখি। হায়রিবা পাউ অসি সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখ্রবা লৈঙাক্কী কোনফিদেন্সিএল হায়বা অদুদগী ৱাংমা লানখ্রবা মতুং পাউচে অসিদা হাপখিবনি। পাউচে অসি খক্তা নত্তনা মণিপুরদা ফোঙবা অতোপ্পা পাউচে খরদসু হায়রিবা পাউ অসি হাপখিবা লৈরে। অদুম ওইনমক পাউচে অসিগী এদিটর খক্তদা অতম্ননা মহাকপু ফাজিন্দুনা থম্বা হায়বসি লৈঙাক্কী অরোনবা এজেন্দা অমা লৈবা মাল্লি। মসিনা মরম ওইরগা হৌজিক থোক্লিবা



কাঙলূপকী ওইবা ঈরাং মরক্তা তূন্বা-চাবা খঙদনা কথোকপগা লোয়ননা থবক তৌরিবা পাউচেগী লম্‌দা লৈরিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## লৈখিদ্রবা অথৌবা জেমসবোন্দগী অরোইবা মথৌ মঙম মীওই চা কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) :**

মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ৩০দা কুকি মিলিটেন্টশিংনা বোম অমদি নোংমৈ কাপশিন্দুনা লান দারকপদগী নোংমৈ মরূনা পান্দুনা শোক্লবা মতুং লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রবা খুল ঙাকপা জেমসবোন্দ নিঙোম্বমগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ঙসি জেনিমস মোর্গতগী পুথখ্রবা মতুং কদাংবন্দ পার্ট টু মহাদেব চীংদা মীওই চা কয়ানা শরুক য়াদুনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে।

লৈখিদ্রবা জেমসবোন্দগী ইমুং-মনুং অমদি জে এ সীগা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা উনদুনা ৱারী শানরবা মতুং য়ানবা পুরকপদগী জেনিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুং ঙসি অয়ূক পুং ১০ রোম তারকপদা লমদম অদোমগী মীয়ামগা লোয়ননা থৱায় য়াওদ্রবা জেমসবোন্দগী হকচাং অদু লৌখিবনি।

মহাক্কী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবগীদমক পুদুনা চৎখিবা লম্বীদা মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না নাক



য়েৎতা লেপ্লুনা লৈখিদ্রবা অথৌবা অসিগী মফমদা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

ঙসি জেমসবোন্দগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা মহাক্কী অপোকপা নিঙোম্বম রামেশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা ইচানা লৈবাক অসিগীদমক থৱায় থাখিবদি চঙনা স্বর্গ কাবনি। মহাক্না মমা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## লিলোং চীংজাওগী থৌদোক য়ু এন এল এফনা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ :**

থা অসি ১ ন্যু য়র নুমিৎকী নুমিদাংদা লিলোং চীংজাওদা থোকখিবা লাইবক থীবা অমদি থোকহন্নীংদবা থৌদোক অমদা লৈখিদ্রবা মীওই মঙাগী ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অমদি শোক্তুনা লৈহৌরিবশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংনা নংলিবা অৱাবা অদুদা য়ু এন এল এফনা শরুক য়াবগা লোয়ননা নুংঙাইতবা ফোঙদোকই হায়না য়ু এন এল এফকী মীদিয়া কোওর্দিনেটর চরাইরোংবা থোকচোমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ইরৈবাক মণিপুরগী চিরবা তানফম অসিদা থৌদৌ অদুনা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফূরুপচা মীতৈ পাঙল অমদি মীতৈ অনীগী মরক্তা য়েংথীনদুনা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অমা লাকহনখিদবা অমদি থৌদোক অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীখিবা মীতৈ পাঙলগী লুচিংবশিং, মণিপুরগী সী এস ওগী লুচিংবশিং অমদি ইরৈচা পুন্নমক্কী মফমদা য়ু এন এল এফনা ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

থোইদোক্না ইরৈবাক ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## সী আর পি এফকী মহুত্তা ষ্টেট ফোর্স ওইনা থম্বীনবা খুঞ্জাশিংনা তকশিল্লক্লি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) :** ঙরাং অমসুং ঙসিগী লোন্নবা অহিং পুং ১ খরা হেল্লকপদা সেঞ্জম চিরাংদা লৈবা য়েনগী ফার্ম অমা চীংথক্তগী কূপ্লকপা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মৈ থাদোক্লবা মতুং সেঞ্জম চিরাং তম্না নোংমৈ কাপশিল্লকপদা খুল অসিদা লৈরিবা সী আর পি এফ বট্টালিয়ন অসিনা করিসু তৌদনা লৈখি হায়না মরাল শিরদুনা খুল অসিদগী সী আর পি এফ বট্টালিয়ন অসি লৌথোক্লগা ষ্টেট ফোর্স ওইনা থম্বীরো হায়না মায়কৈ অদোমগী মৈরা পায়বীশিংনা দিমান্দ তৌরক্লি।

ঙসি সেঞ্জম চিরাংগী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা সেঞ্জম চিরাং কৌনু লৈমা চনুরা মরুপকী সেক্রেটরি হৈখাম ওংবী অন্থ্রাবতিনা হায়, মায়কৈ অদোমদা লৈরিবা ২২ এ আরনা কুকিশিংদা মতেং পাংই, ঙরাংমকসু কুকিশিংনা মৈ থাবা কুমথরকপদা লৈমিন্নরিবা মখোয় মশেল মতৌ করম্না উরোইদৌরিবনো। ঙরাং অহিংসু মৈ চাক্লবা মতুংদা অসাম রাইফলস পর্সনেলশিংনা মখোয় উহৌদ্রে হায়রকখি।

মমাঙ চহীগী মে ৩দগী তোর্ব্রুংদা কুকিশিংনা লান্দাবা হৌরকপদগী অতে মফমশিংদসু লান হৌরকখিবনি। সেঞ্জম চিরাং হায়রিবা মফম অসিদনা মে ৪দগী কুকিশিংনা লান্দাবা হৌরকখিবা অদু ঙসি ফাওবা লেপত্রি। মসিদা তম্পাক্কী শরুক ওইরিবা সেঞ্জম চিরাংদা লৈরিবা সী আর পি এফশিংনসু মখোয়গী মথৌ অমত্তা তৌদনা নোংমতা মপান থোরক্তনা লৈরি। কুকিশিংনা নোংমৈ কাপ্লকপদা মখোয়না হান্না চেল্লি। মরম অসিনা মীশিং য়ামজদ্রবা সেঞ্জম চিরাংগী মীয়াম মশা ঙাকথোকচনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইরে। সী আর পি এফনা উতুপ তাবগুম করিসু তৌদনা লৈগদবগী মহুত্তা ষ্টেট পুলিস ফোর্স এম আর নৎত্রগা আই আর বি ওইনা থম্বীয়ু হায়খি।

অমরোমদা, থা ৮ শুরক্লবা ঈরাং অসিদা অসাম রাইফলসনা কুকিগী মায়কৈদা লৈবা মানবগী ফীভম অমদা লাকপনা মরম ওইরগা সী আর পি এফশিংসু মথৌ নীংথিনা তৌদ্রবরা হায়বগী চিংনবা লৈ। মরমদুনা হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্না অহেনবা মীৎয়েং চঙফম থোকই। লৈঙাক্না ষ্টেট ফোর্স থম্বা ঙম্লরোই হায়রগসু ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## 'মাইবম লৈকায়গী কৈপুংদা লৈবা ময়েক হকপা নূঙ য়োক্তুনা থম্বা মথৌ তারে'



নোমিতা খোংবান্তাবম

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচএনএস):** ইম্ফাল ইষ্টকী হৈরাঙ্গোইথোং লাল্লগা মাইবম লৈকায়দা লৈবা লন্নাই মীওই অমগী ইঙ্খোলদা ইপা-ইপু হাক্তক্তগী লৈরক্লবা কৈপুংদা লৈরিবা ময়েক হকপা নূঙ অসি য়োক্তুনা থম্বা মথৌ তারে।

পুৱারীগী খোঙ্গুল লিক্লম তাক্লিবা ময়েক হক্তুনা ইদুনা থল্লিবা নুঙশিংগী মতিক ময়াই মাঙহন্দনা থম্লবগীদমক্তা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হোৎনরি হায়না পাউচে অসিনা ষ্টেট আর্কিওলোজিগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ...মখা লমায় ৩ কলম ২

লানগী চৈথেং নংলবা আর্টিষ্টশিংগী থম্মোয়গী পাঊদম-৮

## লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী খনবদা মীৎকুপ অমা ফাওবা পোম্খাবা ঙমদে : খেকমন রতন

হেমচান্দ নিংথৌজম



খেকমন রতন (মুকখাই)

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচএনএস):**

মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা লোইশিন্দ্রিবা মণিপুরগী তমথীরবা লানগী চৈথেং ফংলিবশিংগী মনুংদগী অহানবা ওইনা তোঙান-তোঙানবা শিনফমশিংদা খোঙদারিবা মণিপুরগী শুমাং লীলা, ফিল্ম, ঈশৈ, দ্রামা, ৱারী লীবনচিংবগী মীওইশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং মথং-মথং পাউদল্লকপগী মখা তারকপদা মণিপুরগী শুমাং লীলা অমদি ফিল্মগী মমিং লৈরবা মীয়াম্না খেকমন রতন অমদি হুইদ্রোম মুকখাই হায়রগসু হেন্না খঙনরিবা এক্টর ৱাংজম বিজেন্তকুমারগা হকথেংননা উনরুবদা হৌজিক ওইরিবা ঈরাং অসিগী মতাংদা পেন্দবা কয়া ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না ফোঙদোরকখিবদা মে ৩দগী হৌরকখিবা কাঙলূপকী ঈরাং অসিনা লমদম অসিগী মীপূম খুদিংমক্তা চৈথেং পীরি। মসিগী মথক্তা আর্টিষ্টশিংদি অতোপ্পা শিনফমসু পায়হৌদবনিনা অমুক্কা হেন্না অৱা চৈথেং ফংলি। অদুবু ৱায় হায়নীংদ্রে। মরমদি মীওই কয়া রিলিফ কেম্পতা তূম্ফম চাফম খঙদনা লেল্লি। মসিগী মথক্তা মণিপুর কন্দবা য়াদে হায়দুনা থোক্লকখিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## 'কুকিনা করিগুম্বা ফত্তবা তৌরক্লগদি দলানদগী চোংথরগা শিরসি ফাও ইচানুপীদা হায়খি'

হকথেংনবা পাউদম

চূড়াচান্দপুর খুমুজাম্বা মীতৈ লৈকায়দগী খুঞ্জা অমা



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) :**

মমাঙ চহীগী মে ৩গী নুমিদাংৱাইরমদগী চূড়াচান্দপুরদা কুকিশিংনা মীতৈশিংগী য়ূম মৈ থাবা হৌরকখি। মতম অদুদা ইচাশিং বোর্দিংদা লৈখিবনা মরম ওইরগা লৈফম খঙখিদে। অদুবু ইচানুপী থেংনরবা মতুং খঙহৌদনা কুকিনা করিগুম্বা ফত্তবা তৌরক্লগদি দলান্দগী চোংথরগা শিসি হায়না ইচানুপীদা হায়খি। ইচানুপীনসু হোয় য়াই মমা শিসি হায়না খুল্লকখিবা অদু ঙসি ফাওবা নাকোংদা শীংজা য়ৈদুনা লৈরি হায়না চূড়াচান্দপুর খুমুজাম্বা মীতৈ লৈকায়দগী লাঞ্জেল্লকখিবী য়ূমখাইবম তমুবীনা থম্মোয় শোক্না মমিংতগী পিরাং শিন্থুনা পাউদল্লকখি।

পাউচে অসিদা য়ূমখাইবম তমুবীনা ফোঙদোরকখিবদা চূড়াচান্দপুরদা লৈবা স্কুলগী বোর্দিং অমদা ইচানুপী লৈবনি। খুমুজাম্বা লৈকায়দি মে ৩গী নুমিৎ হেক তারকপদগী কুকিশিংনা মৈ থাবা হৌরক্লে। নুমিদাংৱাইরমদা ইচানুপীদুনা লৈবা বোর্দিংদুগী মীওই অমদা ফোন তৌদুনা ইচা লৌথোক্কে ...মখা লমায় ৩ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### অস! লোইরেহে!

- তাদবু করি লাইরিক ইরিগে?



- হৈরাং-লৈরাংগী ওইনা ইজরি।

### HL Poll

Q : Paoche ashigi Editor Manipur Policena phajinkhiba ashi leingakki achumba khongthangni haina meeyamna loubibra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Central forcena cheksinna ngak sellakliba New Checkongi yumsing mei chakhribasi AFSPA amuk hanna thamjillaknaba thourang touba oigadra?

Yes 92% No 28%

HL-B/8470/6

fssai


FoSTaC
Food Safety Training & Certification

An Initiative by FSSAI

# FOOD SAFETY TRAINING AND CERTIFICATION
for Food Business Operators across the food value chain

## Food Safety Supervisor Training

1. It is mandatory that every food business operator (FBO) has a Food Safety Supervisor trained under the FoSTaC Programme.
2. There are three level of FoSTaC
i) Basic ii) Advance iii) Special
3. To know more log in http://fostac.fssai.gov.in
OR Consult Designated Officer/Food Safety Officer (FSO) of District Food Safety Administration




Issued in Public Interest by : State Food Safety Authority, Directorate of Health Services, Government of Manipur